**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 15-04-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি অমিত সাহ্ ঙসি ইম্ফালদা লাক্কুনা বি.জে.পিগী ভোৎ খোল্লগনি।

২) লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু ঙরাং ফয়ার সার্ভিস ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

অমসুং

৩) ইজরেল অমসুং ইরানগী মরক্তা উংখৎনরিবা ফিভম অসিদা কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়না কন্না নুংনাংবা ফোংদোকখ্রে।

------

কেম্পেন (এল)ঃ বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি অমিত সাহ্ ঙসি ইম্ফালদা লাক্কুনা বি.জে.পিগী ভোৎ খোল্লগনি।

মহাকা ইম্ফালদা হেক থুংলবগা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা হপ্তা কাংজৈবুংদা পাংথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা শরুক য়াগনি। মদুদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ, বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট আধিকারিময়ুম সরদা দেবী, দলগী লুচিংবশিং অমদি কারিয়াকার্তা কয়াসু শরুক য়াগনি।

তুংদা, শ্রী সাহনা হম্ফালগী নিত্যপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি.জে.পিগী থন্বাল শঙলেনদা শাবা ওফিস অমা শঙ্গাগনি।

মহাক্কী খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা মণিপুর সরকারগী মরী লৈনবা বিভাগশিংনা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট

মেজিষ্ট্রেটনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতগী হৌরগা শঞ্জেনথোং ফাওবগী লম্বী অসিদা দ্রোন নত্রগা রিমোটলি পাইলোটেদ ভেহিকল (আর.পি.ভি)শিং পাইবা থিংলে। অদুগা রেড জোননি হায়না লাউথোকখ্রবা মফমশিং রাজ ভবন, মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেটরিয়েটকী ওফিস কমপ্লেক্স, মণিপুর এসেমব্লি কমপ্লেক্স, বাবুপারাগী সিভিল সেক্রেটরিয়েট, পুলিস হেদক্বাটর বাবপারা অমদি বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টকী মফমশিং অসিদা দ্রোন নত্রগা আর.পি.ভিশিং পাইবা থিংলে হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

লাউদ স্পিকর (এল)ঃ লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিগী ভোৎ থাদনগদবা পুং ৪৮ ৱাৎলিঙৈদগী ভোৎ থাদবা লোইদ্রিবা ফাওবা লাউদ স্পিকর শিজিন্নবা থিংখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারসু ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্ট, টি.ঐচ কিরনকুমারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- মীখল অসি শান্তি লৈনা অমদি নিয়ম চুমা পাঙথোকবগীদমক থা অসিগী ১৭ কী নুংথিল পুং ৪ দগী ভোৎ থাদবা লোইদ্রিবা ফাওবা লাউদ স্পিকর শিজিন্নবা থিংবনি।

শ্রী কিরনকুমারনা থোকপা অতোপ্পা চেরোল অমদা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মফমশিংদা লৈরিবা পোল্লিং এরিয়াশিংগী অকোইবদা য়ু অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং য়োনবা থিংলে। অথিংবা অসি থা অসিগী ১৭ কী নুংথিল পুং ৪ দগী চৎনগনি।

ককচিং (এল)ঃ লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিগী ককচিং জিলাগী ওইনা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং ওফিসারশিংগী অরোইবা তাঙ্কক্কী ট্রেনিং ঙরাংদগী হৌখ্রে। জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিসারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- অরোইবা অমদি অহুমসুবা তাঙ্কক্কী ট্রেনিং অসি ঙরাং ককচিংগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা প্রিসাইদিং ওফিসারশিং, পোল্লিং ওফিসিয়েলশিং অমদি তোঙান তোঙানবা ওফিসিয়েলশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি। লেমহৌরিবা

পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী অরোহবা তাঙ্কক্কী ট্রেনিং ঙসি মখা চথ্লগনি।

অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার ককচিংনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিং পোষ্টেল বেল্লোটকী খুথাংদা ঙসি অমসুং হয়েং ভোৎ থাদহল্লগনি। জিলা অসিগী দি.সি ওফিস বিল্ডিং নিউ ব্লোক্তা হাংবা ফেসিলিটেসন সেন্তরশিংদা অয়ুক পুং ১০ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা ভোৎ থাদনগনি।

ফয়ার (এল)ঃ রাজ্যগী হোম বিভাগকী কম্মিসনার ঐচ. গ্যানপ্রকাশনা হায়রি- ফয়ার সার্ভিস অসি মৈ চাকপা খক্তমক কন্ননবা লৈবা দিপার্টমেন্ট নত্তে। তোঙান তোঙানবা মওংদা মীয়ামগী সেবা তৌরিবনি।

ফয়ার সার্ভিস ডে ঙরাং রাজ্যগী ফয়ার সার্ভিস ইম্ফাল হেদক্বাটরদা পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা থা অসিগী ২০ ফাওবা নুমিৎ ৭ নি চুপা চথ্লগদবা ফয়ার সার্ভিস ৱিক ঙরাংদগী এনসিওর ফয়ার সেফতি, কন্ত্রিব্যুট টুৱার্দস নেসন বিল্ডিং হায়বা হিরমদা হৌখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী গ্যানপ্রকাশনা হায়- ফয়ার সার্ভিসতা মথৌ পাঙথোক্লিবশিং য়ামা লেমজনিঙাই ওই। মখোয়না মৈ চাকপা কনবা খক্তা নত্তনা এক্সিদেন্ট, ঈশিং ঈচাউ, য়ুহার হাবা অমদি অতৈ হিরম কয়াদসু মীয়ামগী সেবা তৌরি। থৌরম অদুদা ময়াংইম্ফাল, চুরাচান্দপুর, চান্দেল, মোরে অমদি ইম্ফাল ফয়ার ষ্টেসনগী মীওই মঙাদা সার্তিফিকেট অমদি সাইতেসন পীদুনা ইকায় খুম খি।

পুলিস (এল)ঃ মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্পা লৈতনা চথুরি। মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মণিপুরগী চীংগা তাইনবা মফমশিং অমদি ইরাং থোকনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চেকশিন্না ঙাক শেল্লি অমসুং লেপ্পা লৈতনা থিবা হুম্বগী থবকসু চথুরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- নেসনেল হাইৱে নম্বর টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ৩৯ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল তমা চংলকখ্রে। মখা তানা গাড়িশিং তেক্ত-কায়দনা চৎনবগীদমক অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা থল্লি অমদি চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতিগী কনভোইশিং থল্লি।

ময়োল (এল)ঃ মনিপুর য়ুথ লিগ (ময়োল) না লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা মীয়ামবু ৱাখল তাহনবগী থৌরম-ঐখোয়গী অনৌবা লাংওনগী ভোট হায়বা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং তোঙান তোঙানবা মফম মঙাদা কেম্পেনশিং পাঙথোকখ্রে।

শগোলবন্দ তেরা, শঙাইপ্রৌ, চঙাংগৈ, মালোম বজার অমদি নম্বোল কৈথেলদা পাঙথোকখিবা মীফমশিং অদুদা কেন্দিদেটশিংদগী শেল লৌদবা, চাকচা হৈজানবা তৌদবা, মহুৎ শিল্লগা ভোট থাদবা তৌদবা অমসুং ইশা ইশাগী ভোটিং রাইটপু মাঙহনদবা হায়বনচিংবা ৱারেপ কয়া লৌখি। লোয়ননা ৱারেপশিং অসি য়াওবা লিফলেট য়েন্থোকখি।

তুংদা, লমলোং কৈথেল, শওম্বুং কবুই খুল, খুরাই সলানথোং, মোংসাংগৈ, অৱাং সেকমাই, খুমবোং অমদি তখেলদসু মীফম অসি পাঙথোক্তুনা ৱারেপশিং অসি লৌমিন্নখি।

নোনে (এল)ঃ ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি নোনে ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা জিলা অসিগী বি.পি.এলগী ইমুংশিংদা ব্লাংকেট য়েন্থোকখ্রে। থৌরম অদুদা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি নোনে ব্রাঞ্চকী মকোক থোংবশিং শরুক য়াখি।

উংখৎনবা ঃ ইজরেল অমসুং ইরানগী মরক্তা উংখৎনরিবা ফিভম অসিদা মপান থৌরম মন্ত্রালয়না কন্না নুংনাংবা ফোংদোকখ্রে। মন্ত্রালয়না হায়- লৈবাক অনিনা য়েংথিনরকপা অসি ভারতনা ভারতনা লুমা লৌই। মসিনা লমদম অশোমগী শান্তি অমসুং ঙাকশেলগী লমদা অকিবা পোকহল্লে হায়রি। ওইরক্লিবা

ফিভম অসি কুপা য়েংশিল্লি অমসুং লমদম অশোমগী এন্বেসিশিংদা লৈরিবা ভারতমচাশিংগা কুপা পাউ ফাওনরি হায়নসু মন্ত্রালয়না ফোংদোক্লি। উংখৎনরিবা ফিভম অসি খুদক্তা লেপবা হায়রদুনা মন্ত্রালয়না লমদম অশোমদা তংদু লৈতাবা ফিভম লৈহনবগী তঙাইফদবসু পল্লি। লৈবাক অনিমকা হিংশাগী থৌওংশিং থাদোকদুনা ৱারী ৱাতাই শান্ননবসু হায়রি।

দিআরদিও ঃ দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি.আর.দি.ও) অমসুং ভারত লান্মীনা পুন্না লৈবাক অসিনা শাজবা মেন পোর্টেবল এন্তি টেঙ্ক গাইদেদ মিসাইল ৱিপন সিষ্টেম মায় পাকা চাংয়েং পাঙথোকখ্রে।

চাংয়েং অদু রাজস্থানগী পোখ্রানদা লৈবা ফিল্ড ফয়ারিং রেঞ্জদা পাঙথোকখি। এন্তি টেঙ্ক গাইদেদ মিসাইল অসিদা অহিং নুংথিল অনিমক্তা এটেক তৌবগী শক্তি লৈবা অমসুং মতম অসিগী ওইবা আর্মর প্রোটেক্তেদ মেইন বেত্তল টেঙ্ক মায়থিবা পীবা ঙম্বা খুৎশু খুৎলায় য়াওরি।

ক্রিকেট ঃ ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগ (আই.পি.এল) ক্রিকেটকী ঙরাং মুম্বাইগী ৱাংখরে ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা চেন্নাই সুপর কিংসনা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সপু রন ২০ দা থোইখ্রে। ঙরাং কোলকাতাগী ইদেন গার্দেন্সতা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা কোলকাতা নাইট রাইদরসনা লখনৌ সুপর জাইন্টসপু ৱিকেট ৮ দা থোইখি। বেঙ্গলুরুগী এম. চিনাস্বামি ষ্টেদিয়মদা ঙসি রেয়েল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলোরগা সন রাইজরস হাইদ্রবাদকা শান্নগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

হুইয়েন লানপাউদা- শকখঙদবা নোংমৈ পায়বশিংনা ইন্দিয়া ব্লোক মণিপুরগী লুচিংবা অমগী য়ুমদা ভোৎ খোমদনবা কিহল্লম্লে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- নরেন্দ্র মোদিনা হায়- বি.জে.পিগী লৈঙাক হল্লক্লবদি য়ু.সি.সি অমদি ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন চৎনহনগনি হায়না অনিসুনা হেদলাইন তৌরি। হেদলাইন অসিগী মখাদা বি.জে.পিগী ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদা মণিপুর ইরাংগী ৱাফম য়াওদ্রে হায়না সবহেদলাইন অমসু পীরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- কুকি মিলিটেন্টশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা এটেক চথরকখ্রে, খুৎ হনবদা অনি শিরে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মেলদা- এবসেন্তি ভোতরশিংগী পোষ্টেল বেল্লোটকী খুত্থাংদা ভোৎ থাদবা হৌরে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- পুং খরগী খোঙচৎতা অমিত সাহ ইম্ফালদা লাক্তুনা ভোৎ খোমগদৌরি, খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা দ্রোন পাইবা থিংখ্রে, মফম ৬ রেড জোননি লাউথোকখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- ২০০১ দগী ২০২৩ ফাওবদা মণিপুরনা উমংগী শরুক হেক্তর লাখ ২ লিশিং ৪০ মাংখি হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক্তা- লমফেলপাৎ নৌনা তৌবগী চৈথেং মীয়ামা ফংবা হৌরে, লম্বী নমথখিবদগী লমফেলদগী শিজ হোস্পিতাল তাবা লম্বী থিংজিনখ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- হৌখিবা চহিদা লুপা কোতি লিশিং ১,২৬৬ কী লন থুম, মী লিশিং ৮ গী পুন্সি কনবা ঙমখি হায়বা মণিপুর ফয়ার সার্ভিস দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্তর লাইশ্রম নবচন্দ্রনা ফোংদোকখিবা ৱাফম এনকর কলমদা ফোংলি।

মণিপুর নিউজদা- পোপি থাবগী চাং হৌখিবা চহি অহুমসিদা চাদা ৬০ গী চাংদা হন্থরে হায়না এনকর কলমদা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- এস.টি লিষ্টতা চনবগী ৱাফম য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা লাউথোক্লমবা মীতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন্না তকশিল্লি হায়বা পাউ অসি ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- ক্বাক্তা বোম ব্লাষ্ট কেসকা মরী লৈননা মীওই অনিগী চার্জসিট এন.আই.এনা থাংগৎখ্রে হায়না ফোংলি।

মোর্নিং বেলদা- কুকিশিংগা য়াশিন্নবা থৌরাং পায়খৎলি হায়বা চীফ মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- মণিপুরগী ওইনা মীখল পাঙথোক্কদবা পুং ৪৮ গী মমাংদা লাউদ স্পিকর শিজিন্নবা ই.সি.আইনা থিংখ্রে হায়না ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- মশক খঙদবা মীওইশিংনা কংগ্রেস কেন্দিদেট বিমোল অকোইজমগী মোইরাং ফাইরেনবমদা পাঙথোকপা কেম্পেন সাইটতা নোংমৈ কাপশিল্লম্লে হায়না ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- বি.জে.পিগী মেনিফেষ্টো ফোংখ্রে, য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদকী ইসু অমদি ৱান নেসন ৱান পোল হায়বসিনা অহানবা প্রাইওরিতি ওইনা য়াওরি হায়না মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

চমদা- দিপ্যুতি কম্মিসনার ডাঃ অংসিম দংসৱানা তমেংলোংগী প্রজাশিংদা মীৎ লায়েংবা মতমদা লোকেল কোবিরাজশিংদা য়েংদনবা পাউতাক পীখ্রে হায়না ফোংলি।

------